# স্পেনগী ক্লব রিয়েল মাদ্রিদনা ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলবু পাঞ্জল ৩–১ দা থোইদুনা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮ কী টাইটল লৌখ্রে




*কিএভ, মে ২৭ঃ*

যুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী চাউবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮ গী ফাইনেলদা স্পেনগী ক্লব রিয়েল মাদ্রিদনা ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলবু পাঞ্জল ৩–১ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩রকশুবা টাইটল লৌখ্রে।

স্পেনগী ক্লব রিয়েল মাদ্রিদনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা জর্মনিগী ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিকপু এগ্রিগেটতা ৪–৩ দা হেন্দুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি। অমরোমদা রিয়েল মাদ্রিদকী ফাইনেলদা লম্বা ওইখিবা ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা ইটালিগী ক্লব রোমাবু এগ্রিগেটতা ৭–৬ তা থোইরম্বনি।

যুক্রেনগী কোনুং কিএভতা লৈবা এনএসসি ওলিম্পিস্কি ষ্টেদিয়মদা স্পেনগী ক্লব রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলনা শান্নখিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেটচ অদু টিম অনীমক অহানবা হাল্ফতা য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নখি।

অহানবা হাল্ফকী শান্নবা অদুদা মায়কৈ অনীদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা অমনা অমবু হেঞ্জিনবা ঙম্নদনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী মিনট ৪৫ গী মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী এটেক কয়া তৌনদুনা শান্নরকখ্রবসু পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা শান্নবগী ৫১শুবা মিনটতা স্পেনগী ক্লব রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা চখ্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই করিম বেঞ্জেমানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলবু পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

পাঞ্জল অমা শোখ্থরবা লিভরপুলগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৫৫শুবা মিনটতা চখ্থরকখিবা এটেক অমদা সাদিও মানেনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

টিম অনীমক পাঞ্জল ১–১ দা মান্নরবা মতুং রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা মখা তানা শান্নবগী ৬৪শুবা মিনটতা চখ্থরকখিবা এটেক অমদা ৱেল্স মচা জেরেথ বেলনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা লিভরপুলবু অমুক্কা হন্না পাঞ্জল ২–১ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদে। লিভরপুলগী শান্নরোইশিংনা শোখ্থখিবা পাঞ্জল অমা অদু হন্দাকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৮৩শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চখ্থরকখিবা এটেক অমদা রিয়েল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা জেরেথ বেলনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা লিভরপুলবু ৩–১ দা হেন্দুনা চৎখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ৭ লোম অদুদা লিভরপুলগী মায়কৈদগী শোখ্থখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমখিদবা অমদি রিয়েল মাদ্রিদকী মায়কৈদগীসু অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু স্পেনগী ক্লব রিয়েল মাদ্রিদনা ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮ কী টাইটল লৌদুনা টিম অসিনা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩রকশুবা টাইটল অদু ফংবা ঙমখি।

রিয়েল মাদ্রিদতা শান্নরিবা ষ্টার প্লেয়র পোর্টুগাল মচা খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা চেম্পিয়ন্স লীগকী পুৱারীদা টাইটল ৫রক লৌবদা শরুক য়াবা অহানবা শান্নরোই ওইবা ঙমখি।

## গোল কিপ্পিং কোর্স পাঙথোক্লগনি

*ইম্ফাল, মে ২৭ঃ*

ইন্দিজিনস স্পোর্টস ন্যু দিলিগী মীৎয়েং মখাদা ২শুবা ওইনা নুমীৎ ১০গী ওইবা গোল কিপ্পিং কোর্স অমা পাঙথোক্লগনি। মসিদা এ এফ সি গোল কিপ্পিং লেভেল ২ এস প্রেমকান্তা অমদি এল রোনিবালা লোয়ননা আই এস এল গোল কিপ্পর এস পোইরৈ অঙানবনা ইন্সট্রক্তর ওইদুনা তাকপি তম্বীগনি।

মথং থা জুনগী ৮দগী ১৭ ফাওবা চখ্থগদবা কোর্স অসিদা শরুক য়ানিংবা মপাল কাংজেবুংদা লৈবা ইষ্টর্ন স্পোর্টসতগী ফোর্ম লৌরবা য়াগনি অমদি ফোর্ম থাজিনবগী মতম জুনগী ৫ ফাওবা ওইগনি অমদি ফোর্মগী মমল লুপা ৫০০ নি হায়রি।

## কৃষ্ণতোম্বী অমদি ইবোচৌবু তিবিএসএফএনা তরাম্না ওকখ্রে

*ইম্ফাল, মে ২৭ঃ*

টিঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমী (তিবিএসএফএ) তাওবুং খোকনা শিন্দুনা টিঐচ কৃষ্ণতোম্বী সিংহ অমদি এস ইবোচৌনা এম পি এস গ্রেদ ৱান (১) ফংলকপদা হরাও তয়াম্বা ফোংদোকপগা লোয়ননা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

বি এম এস সি গী মপুসু ওইরিবা টি বি এস এফ এগী ওর্গানাইজিং সেক্রেটিরি টিঐচ কৃষ্ণতোম্বী অমদি টি বি এস এফ এগী পেত্রোন মেম্বর ওইরিবা এস ইবোচৌ অনিনা একাদেমী অসিগীদমক অমদি মণিপুর ফুটবোলবু হেন্না চাওখৎহনবগা লোয়ননা মণিপুরগী ফুটবোলবু মালেমগী থাক্তগী পুখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা অনিনা তুংদা পায়খৎলকপা থবক থৌরম কয়াদসু মায় পাকপা ওইরসনু হায়না থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিং, শান্নরোইশিংগী গার্জিয়ানশিং অমদি স্পোর্টসপু নুংশিজবা অহল লমনশিংনা ফোংদোকপগা লোয়ননা হরাও তয়াম্বা ফোংদোকখি।

# চাইনানা জপানবু মেটচ ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা নুপাগী বেদমিন্টনগী টুর্নামেন্ট থোমাস কপকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে




*বেঙ্কোক, মে ২৭ঃ*

থাইলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকপা থোমাস এন্দ উবর কপ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী ইভেন্ট অমা ওইরিবা থোমাস কপকী ফাইনেলদা চাইনানা জপানবু মেটচ ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ১০রকশুবা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি চাইনানা মমাঙদা শান্নখিবা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াবু মেটচ ৩–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি। অদুগা জপাননা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা দেনমার্কপু মেটচ ৩–২ দা থোইরম্বনি।

ঙসি শান্নখিবা থোমাস কপকী ফাইনেলগী টাই অদুগী অহানবা মেটচ জপানগী কেন্টো মোমোটানা চাইনাগী চেন লোংবু ২১–৯, ২১–১৮ দা থোইদুনা মেটচ অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী দবলসকী লম্বাদা চাইনাগী পেয়র লিয়ু চেং অমসুং ঝাং নাননা জপানগী পেয়র টাকুটো ইনৌ অমসুং য়ুকি কানেকোবু ২১–১০, ২১–১৮ দা থোইদুনা লৈবাক অনীমক মেটচ অমমম মান্নখি।

ফাইনেল টাই অদুগী অহুমশুবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী লম্বাদা চাইনাগী সি য়ুকিনা জপানগী কেন্টো নিসিমোটোবু ২১–১২, ২১–১৭ দা থোইদুনা চাইনানা জপানবু মেটচ ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

থোমাস কপকী ফাইনেল টাই অদুদা চাইনানা জপানবু মেটচ ২–১ দা মাঙজিল থারবা মতুং অহুমশুবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী দবলসকী লম্বাদা চাইনাগী পেয়র লি জুনহুই অমসুং লিয়ু য়ুচেননা জপানগী পেয়র কৈগো সোনোদা অমসুং য়ুতা ৱাটানবেবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ১৭–২১, ২১–১৯, ২২–২০ দা মায়থিবা পীদুনা থোমাস কপ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ১০রকশুবা টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

## দব্লিউ ৱাই সি অমদি অল–অমীন মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, মে ২৭ঃ*

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ক্রিকেট টিম ৪না গ্রুপ ২ থোক্লা খায়দোক্তুনা অথোই অহেন তান্নগদবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টি–২০ ক্রিকেট লীগ কম–নোক আউৎ টুর্নামেন্ট ২০১৮ ঙসিদগী লুৱাংপোকপা লুৱাংসংবমদা হৌদোকখ্রে। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অনিদা দব্লিউ ৱাই সি ৱাংখেম অমদি অল–অমীন লিলোং মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর সরকারগী ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টগী এ ই এম দি হিদায়াতুল্লাহনা চিফ গেষ্ট, ফোর্ম্মর ফার্ষ্ট দিভিসন ক্রিকেটর এম অখতার হুসিয়াননা গেষ্ট ওফ ওন্নর অমদি মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট সিঐচ চাওবনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদোকপা মেটচতা দব্লিউ ৱাই সি ৱাংখেমগা কাল লিলোং মসজিদ রোদকা শান্নবদা দব্লিউ ৱাই সিনা ৱিকেট ৮দা অমদি অনিশুবা মেটচতা অল–অমীন লিলোংনা এল সি আই সি মাইরেনখুনবু ৱিকেট ৭তা থোইখ্রে।

অহানবা মেটচতা দব্লিউ ৱাই সিগা কালগা শান্নবদা কালনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হান্না খনবগা লোয়ননা অপিবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ৯০ স্কোর তৌখি। মসিগী পাউখুম ওইনা অনিশুবা ইন্নিংসতা দব্লিউ ৱাই সিনা বেট্টিং তৌবদা অপিবা ওভর ২০গী মনুংদা ওভর ৯দা ৱিকেট ২ তুরগা রন ৯১ লৌদুনা মেটচ অসি মায় পাকখি।

মেটচ অসিদা কালনা স্কোর তৌখিবা রনগী মনুংদা অমিরনা বোল ২৭তা রন ২৪, রাজাকনা বোল ১৯দা রন ১২ অমদি সরিফনা বোল ৭দা রন ৮ লৌখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা দব্লিউ ৱাই সিগী প্রিয়োনা ৱিকেট ৩, মঙ্গীনা ৱিকেট ২ অমদি মাকানা ৱিকেট ২ লৌখি।

অনিশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা দব্লিউ ৱাই সিনা স্কোর তৌখিবা রনগী মনুংদা সামুঙৌনা বোল ২৫দা রন ২৩ অমদি রোসনা বোল ১৪দা রন ১৬ স্কোর তৌখি। বোল্লিং তৌখিবা কালগী রাজাকনা ৱিকেট ১ অমদি ভাহঙ্গিরনা ৱিকেট ১ লৌখি।

অনিশুবা মেটচতা অল–অমীন লিলোংগা এল সি আই সি মাইরেনখুনগা শান্নবদা এল সি আই সিনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হান্না খনবগা লোয়ননা অপিবা ওভর ২০গী মনুংদা ওভর ১৫.৫দা ওল আউট ওইরগা রন ৫৭ স্কোর তৌখি। মসিগী পাউখুম ওইনা অনিশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা অল–অমীননা অপিবা ওভর ২০গী মনুংদা ওভর ৬.৫দা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ৫৮ স্কোর তৌদুনা মেটচ অসি মায় পাকখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা এল সি আই সিনা স্কোর তৌখিবা রনগী মনুংদা রফিকনা বোল ২০দা রন ১১, রিহাসনা বোল ১১দা রন ৬ অমদি ইকবালনা বোল ২০দা রন ৫ লৌখি। বোল্লিং তৌখিবা অল–অমীনগী নৌসাদনা ওভরদা ২দা ৱিকেট ৪, সমিরনা ওভর ৪দা ৱিকেট ৪ অমদি সাফৱাননা ওভর ২দা ৱিকেট ১ লৌখি।

অনিশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা অল–অমীননা স্কোর তৌখিবা রনগী মনুংদা সমিরনা বোল ১৬তা রন ২০, নৌসাদনা বোল ৩দা রন ৫ অমদি অবদুলাহনা বোল ৬তা রন ৮ লৌখি ।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা অল–অমীনগী সাবা খাননা ওভর ১দা ৱিকেট ২ অমদি মির্সা খাননা ওভর ২দা ৱিকেট ১ লৌখি।

হয়েংগী অহানবা মেটচতা এল সি আই সিগা কালগা অমদি অনিশুবা মেটচতা অল–অমীনগা দব্লিউ ৱাই সিগা লম্বা তৌনদুনা শান্নরগনি।




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*